

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ন্যুয়োক দাইমন লীগ এথলেটিক স্পিটিসনদা ঙরাং মিটর ২০০গী লমজেলদা মায় পাকখ্রবা জমাইকাগী এথলেট উসেন বোল্ট*

*স্পেনগী বর্সেলোনাদা পাংথোকপা কটালুনিয়া মোটো গ্রান্দ প্রিদা মায় পাক্লবা স্পেনগী য়মাহা বাইককী ড্রাইভর জোর্গি লোরেঞ্জো*

## ব্রাজিল, কলম্বিয়া অমসুং ইংলেন্দ মায় পাকখ্রে কোরিয়া অমদি কোষ্টা রিকা দ্রো চংখ্রে



*স্পেনগী মার্টা (নম্বর ৯) অমসুং ভেরোনিকা (নম্বর ১২)না ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংদগী বোল পুথোরক্লি*

মোন্ট্রিয়েল / মোঙটোন, জুন ১৪ ঃ

কানাদানা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা ফিফা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (ই) অমসুং (এফ)কী মেটচশিংদা ব্রাজিল, কলম্বিয়া অমসুং ইংলেন্দ মায় পাকখ্রে। অদুগা সাউথ কোরিয়া অমসুং কোষ্টা রিকা দ্রো চংখ্রে।

মোন্ট্রিয়েল সহরদা লৈবা ওলেম্পিক ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (ই)গী অহানবা মেটচতা ব্রাজিলনা স্পেনবু পাঞ্জল ১–০দা থোইবা ঙমখি।

পনবা য়াই, গ্রুপ অসিগী অহানবা মেটচতসু মায় পাকখ্রবনি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী লোইরমদাই ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু হাল্ফ অদু লোইগদবা মিনিট অমাখক ঙাইরবা মতমদা ব্রাজিলগী এন্দ্রিসা অলবিজনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

শান্নবগী অনিশুবা হাল্ফতসু মখা তানা পাঞ্জল চন্নদবদগী ব্রাজিলনা মেটচ অদু থোইদুনা মেটচ অনিদগী পোইন্ট ৬ ফংলগা মাংজিল থারি।

অনিশুবা মেটচতা কোষ্টা রিকা অমসুং সাউথ কোরিয়া পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা দ্রো চংখি। কোষ্টা রিকাগী মায়কৈদগী অহানবা হাল্ফতা মেরিসা হেরেরানা ১৭শুবা মিনিটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অদুবু সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী জি সোয়োন অমসুং জিওন গেলনা ২১ অমসুং ২৫শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অনি চন্দুনা মাংজিল থাখিবনি। অদুবু মেটচকী ৮৯শুবা মিনিটতা কোষ্টা রিকাগী ভিলালোবোসনা পাঞ্জল অদু হন্দাক্কুনা মেটচ অদু দ্রো চংখি।

গ্রুপ (এফ)কী মোঙটোন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ফ্রান্সপু কলম্বিয়ানা পাঞ্জল ২–০দা থোইবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল কলম্বীয়াগী এন্দ্রাদিনা ১৯শুবা মিনিটতা চনখি। ফ্রান্সকী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা অহানবা হাল্ফতা উপায় লৈখিদে। অদুগা অনিশুবা হাল্ফতসু মখোয়গী হোৎনখিবশিং অরেম্বা তাদুনা ইঞ্জুরি টাইমদা কলম্বীয়াগী কেটালিনানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ২–০দা থোইখি।

অনিশুবা মেটচতা ইংলেন্দনা মেক্সিকোবু ২–১দা থোইখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী কর্ভি অমসুং কার্নিনা ৭১ অমসুং ৮২শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা মেক্সিকোগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ইঞ্জুরি টাইমদা ফাবিয়োলানা চনখিবনি। গ্রুপ অসিদা কলম্বীয়াগা মেটচ অনিদগী পোইন্ট ৪ ফংলগা মাংজিল থারি।

## চহি ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেলিষ্ট মশক খঙখ্রে



*সেনিগালগী টিমনা উজবেকিস্থানবু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিবা পীরবা মতুং হরাওবা ফোংদোমিন্নবা*

ৱেলিংটন, জুন ১৪ ঃ

ন্যু জিলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান–তোঙানবা সহরদা পাংথোক্লিবা চহি ২০ মখাগী নুপাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫গী সেমি ফাইনেল য়ৌবা টিম মশক খঙবা ঙমখ্রে। মখোয়শিং অদুদি– ব্রাজিল, সর্ভিয়া, মালি অমসুং সেনিগালনি।

ঙসি ৱেলিংটন সহরদা লৈবা রিজনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সেনিগালনা উজবেকিস্থানবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মেটচ অদু হৌরকপদগী হৌনা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা থেংনদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনিশুবা হাল্ফকী শান্নবা পুংখাই অমা হেল্লবা মতমদা সেনিগালগী মায়কৈদগী থিয়ামনা মেটচ অদুগী য়াম্না মরু ওইবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৭৭শুবা মিনিটতা চন্দুনা উজবেকিস্থানদগী মাংজিল থাখি। মেটচ অদু পাঞ্জল অদুনা লোইশিন্দুনা সেনিগাল সেমি ফাইনেলদা ব্রাজিলগা লম্বা তৌনরগনি।

ব্রাজিলনা মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচতা পোর্টুগালবু পেনালটি সুট আউটতা পাঞ্জল ৩–১দা হেমিলটনদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায় পাকখি।

মেটচ অদু এক্সত্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরবা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নখিদবনি।

ব্রাজিলগী মায়কৈদগী পেরৈরা, দানিলো অমসুং জিজসনা পাঞ্জল চনখি। অদুগা পোর্টুগালগীনা রোনি লোপেজনা চনখি।

খৃষ্টাই চর্চতা শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা জর্ম্মনি অমসুং মালেসু পেনালটি সুট আউটতা য়াম্না নক্নবা মওংদা মালিনা ৪–৩দা থোইদুনা সেমিফাইনেলদা সর্ভিয়াগা থেংনগদৌরিবনি। মেটচ অদুগী শান্নবা লোইশিল্লকপদা মালিগী কোলিবালি অমসুং জর্ম্মনিগী ব্রেন্টনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা লৈখিবদগী পেনালটি সুট আউট তৌনখিবনি।

ওকলেন্দ সহরদা য়ু এস এ অমসুং সর্ভিয়াগা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুসু পেনালটি সুট আউটতা সর্ভিয়না পাঞ্জল ৬–৫দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি। সেমি ফাইনেল মেটচ অনি থা অসিগী ১৭তা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়া অমসুং বঙ্গলাদেশ দ্রো চংখ্রে

ফটুলা, জুন ১৪ ঃ

বঙ্গলাদেশনা য়ুম্বু ওইরগা ইন্দিয়াগী শান্নবা টেষ্ট মেটচ ঙসি মঙানিশুবা নুমিৎতা নোংনা মরম ওইরগা মরক্তা শান্নবা য়াখিদবা অদুনা মরম ওইরগা দ্রো চংখ্রে।

ফটুলা সহরগী খান সহেব ওস্মান অল্লি ষ্টেদিয়মদা ঙসি বঙ্গলাদেশকী অনিশুবা ইন্নিংস রন ২৩ লৌদুনা লৈরিঙৈদা মখা তানা নোং তারকপদগী শান্নবা অদু দ্রো চংলগা লোইশিনখিবনি।

বঙ্গলাশেদকী অহানবা ইন্নিংস রন ২৫৬তা লোইশিনখিবদগী ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংসকী স্কোর ৪৬২ অদুগী শরুক অহুম থোকপগী অনি য়ৌবা ঙমখিবদগী ফোলো ওন তৌরকপনি।

বঙ্গলাদেশকী অহানবা ইন্নিংস অদুদা রবিচন্দ্রন অস্বিননা ৱিকেট ৫ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। মরক অসিদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমদা সেরিজ কয়া শরুক য়ারুদ্রবা স্পিন্নর হরবাজন সিংহনা বঙ্গলাদেশকী বেটচমেন ৩ আউট তাহন্দুনা টেষ্ট ক্রিকেটকী ইতিহাসতা পাকিস্থানগী ৱাসিম অক্রমনা লৌরম্বা ৱিকেট ৪১৪ অদু লাম্থোকপা ঙমখি। ঙসি শান্নখিবা মঙানিশুবা নুমিৎকী অহানবা সেসন্দা হরবাজননা হায়রিবা রেকোর্দ অদু পুন্না রন ৪১৬ য়ৌদুনা রেকোর্দ থুগাইখিবনি।

পনবা য়াই, টেষ্ট ক্রিকেটকী বোল্লিং ইতিহাসতা শ্রিলঙ্কাগী স্পিন্নর মুটিয়া মুরালিথরননা পুন্না ৱিকেট ৮০০ লৌদুনা খ্বাইদগী ৱিকেট য়াম্না লৌবা ঙম্বগী রেকোর্দ অদু থম্লি। মুরালিথরনগী মতুংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী স্পিন্নর সেন ৱার্ননা ৱিকেট ৭০২ লৌদুনা অনিশুবদা লৈরি।

ইন্দিয়াগী ওইনা অতোপ্পা স্পিন্নর অনিল কুমব্লেনা ৱিকেট ৬১৯ লৌদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা মকোক্তা লৈরি। হরবাজননা টেষ্ট ক্রিকেটকী ইতিহাসতা মখা তানা ৱিকেট ৬ অমগা লৌথরবদি সাউথ অফ্রিকাগী বোল্লর সোন পোলোকনা লৌরম্বা ৱিকেট ৪২১ অদু লাম্থোক্তুনা ৱিকেট য়াম্না লৌবা ঙম্বা বোল্লরশিংদা ৭শুবদা লৈগদৌরিবনি।

## ভোপনা অমসুং মর্জি টাইটল লৌখ্রে



ষ্টুটগার্ট, জুন ১৪ ঃ

জর্ম্মনিগী সহর ষ্টুটগার্টতা পাংথোকপা য়ুরো ৫৭৪,৯৬৫কী শেলগী মনা লৈবা ষ্টুটগার্ট ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী টাইটল ইন্দিয়াগী রোহন ভোপান অমসুং রোমানিয়াগী ফ্লোরিন মর্জিনা লৌখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং রোমানিয়াগী জুরা অসিনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ অমদা ওষ্ট্রিয়াগী এলেকজেন্দর পেয়া অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সাউরেজবু পুং ১ হেন্না চংনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট ২–১দা মায়থিবা পীখি।

অহানবা সেট ওষ্ট্রিয়া অমসুং ব্রাজিলগী জুরা অদুনা ৭–৫তা থোইখি। মদুগী মতুং অনিশুবা সেটতা ইন্দিয়া অমসুং রোমানিয়াগী জুরা অদুনা য়াম্না ফজবা হেল্লকপদগী ৬–২দা থোইদুনা অহুমশুবা সেটকীদমক মখাতান অকনবা লাম্থেনগীদমক চংশিল্লকপদা সুপর টাইব্রেক শান্নবা তাখি।

টাইব্রেক অদুদা রোহন ভোপনা অমসুং ফ্লোরিন মর্জিনা পোইন্ট ১০–৭দা থোইদুনা দবলসকী টাইটল অদু লৌখিবনি।

## উরুগুৱেনা জমাইকা ১–০দা থোইখ্রে



*উরুগুৱেগী কভানি (২১)না জমাইকাগী মায়কৈদা বোল পুশিনবা*

এন্টোফদাসকা, জুন ১৪ ঃ

চিল্লিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোক্লিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ২০১৫গী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচ অমদা উরুগুৱেনা জমাইকাবু পাঞ্জল ১–০দা মায়থিবা পীখ্রে। গ্রুপ অসিমক্কী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা অর্জেন্টিনা অমসুং পরাগুৱে পাঞ্জল ২–২ চন্নদুনা দ্রো চংখ্রে।

এন্টোফদাসকাদা লৈবা রিজনেল ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা জমাইকা অমসুং উরুগুৱেনা গ্রুপ (বি)গী অহানবা লীগ মেটচতা লম্বা তৌনরকপদা অফ্রিকাদগী বর্ত্তন তৌদুনা শরুক য়াখিবা জমাইকাগী টিম পাঞ্জল ১–০দা মায়থিবা পীখি।

উরুগুৱেগী টিমদা য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোই ওইরিবা হৌজিক হৌজিক্লা স্পেনগী বর্সেলোনা টিমদা শান্নরিবা লুই স্বারেজ য়াওদবগী অহাংবা অদু টিম অদুগী কৃষ্টিয়ান রোদ্রিগেজা চন্দুনা মেন্সিনবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। পনবা য়াবদি, স্বরেজ ২০১৪গী ৱার্ল্ড কপতা ইটালিগী শান্নরোই জোরজিয়ো চিলিনিগী মনা চিক্লুবগীদমক থমখিবা অথিংবা অদুগী মতম লোইদবনা ঙরাংগী মেটচ অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

চহি ৪–৪ লৈরগা পাংথোকপা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১১দা আর্জেন্টিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা উরুগুৱেনা টাইটল লৌখিবনি।

রোদ্রিগেজনা চনখিবা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী অনিশুবা হাল্ফ হেক হৌরকপদা চনখিবনি।

অতোপ্পা সহর লাসিরিনাদা পাংথোকখিবা গ্রুপ (বি)গী অতোপ্পা মেটচ অমদা আর্জেন্টিনা অমসুং পরাগুৱে পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা দ্রো চংখি। দ্রো চংখিবা অদুনা মরম ওইদুনা গ্রুপ (বি)দা উরুগুৱেনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা মাংজিল থারি।

হয়েং গ্রুপ (সি)গী মেটচ অনিদা কোলোম্বিয়া অমসুং ভেনিজ্বেলা থেংনগনি। অদুগা ব্রাজিল অমসুং পেরুনা অনিশুবা মেটচতা লম্বা তৌনগনি।


POWER Chemistry
Keishampat Leimajam Leikai
SUCCESSFUL STUDENTS IN AIPMT-2014



S. Hangao Rank - 12(ST)
K. Reshmi Rank - 33(Gen)
Dennica K. Rank - 39(Gen)
L. Pfokreni Rank - 41(ST)
V. Hrilvio Rank - 46(ST)

ADMISSION OPEN
Will start soon
• Regular Foundation Course for AIPMT - 2016
• 40 Students per Batch
Details contact :
Hurry !!! Limited seat
HOSTEL FACILITY AVAILABLE
L. Sunder Singh
M.Sc.(Dist.), B.Ed., M.Phil.,
Ex-Scientist, JBL, Bangalore
# 9856340687



DIRECT ADMISSION
Right time to book your MBBS/BDS Seat.
FREE COUNSELLING, NO DONATION, REPUTED COLLEGES, VERY EASY INSTALLMENT BASIS TUITION FEE FIRST COME FIRST SERVE
50 Lakh Package i- I- dia Hurry!
MBBS
I- I- dia @ Rs. 3.5 P/Yr
I- Chi- a & Ba- gladesh @ Rs. 2 Lakh P/yr.
(No Do- atio- MCI Recog- ised)
BDS @ Rs. 70000 P/Sem. MDS, MS, MD.
B. E (ECE, CSE, EEE, MECH, CIVIL) @ 25000/- 40000/-P/S
B.Sc Nursi- g @ 35000/- P/yr. BAMS, MLT, Dialysis, Radiography,
Optometry, OT Tech- ology, Trauma & Emerge- cy Tech.
M.Sc Nursi- g @ 70000/- P/yr.
Timing 7 am – 6pm,
BBM, BCA - @ 10K, MBA, MCA - @ 20K, M.Sc.
Pls feel free to contact us:
S. S. Infotech (SIMPS),
Thangal Bazar Opp to M.M Tailor,
Near: White House, Khadims and Liberty, Imphal
Mobile: 98565 75163, 94022 33554, Tel:0385-2443842.
Admissio- Office: Dow- - tow- U- iversity, Guwahati
Over Bridge · Ima Keithel · Yuma Store · Khadims · White House · S.S. I- fotech · Tampha Market · Liberty · One Way · M.M. Tailor · Nivedhan Pharmacy · Alfa Galli · Kasturi Thong



CREATIVE WORLD
BUSINESS & COMPUTER ACADEMY
ADMISSIONS OPEN
+91 - 897 - 451 - 466 - 1 & 879 - 427 - 847 - 8
CAREER COURSES IN COMPUTER
Certificate Course
From DREAMS To REALITY
BASIC COMPUTER (abc of Computer & ENTERNET)
MS. OFFICES
ANIMATION ENGINEERING
3D MODELLING - MAYA/3Ds MAX
FLASH ANIMATION
WEB DESIGNING
GRAPHIC DESIGN
VIDEO EDITING
FINE ART , DTP
Meitei Mayek Tutorials
Children & 40year up 20% off
www.facebook.com/creativeworld imphal
DEVSISU BLDG Uripok, Haobam Dewan leikai (inside Ground floor), Near Oil pump, URIPOK KANGCHUP ROAD, IMPHAL- 1



শরুক য়াবীয়ু শরুক য়াবীয়ু

১৪শুবা ডি গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিটি ডে

জুন ১৮, ২০১৫ (শগোলশেল)

অ মু কো য়ু সি এম

মফম ঃ কেক্রুপাৎ, ইম্ফাল

মতম ঃ

অয়ুক পুং ৫ঃ০০দগী নুংথিল পুং ৬ঃ০০ ফাওবা

লাইশোন থৌরম, হৈকৎ–লৈকৎ তম্বা অমসুং মীয়ামগী অচৌবা মীফম ঈ–দাম্ভৌবা

ওর্গনাইজ বাই ঃ
ওবজার্ভেসন কম্মিটি
১৪ শুবা ডি গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিটি ডে – ২০১৫
অমুকো অমসুং য়ু সি এম



DOCUMENT LOST

I have lost my Marksheet of Class XII bearing Roll No. 17376 issued by Council of Higher Secondary Education, Manipur on the way in between Thangmeiband and Khurai Lamlong on 5-6-2015.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Leimapokpam Teresa Devi
D/o Leimapokpam Romen Singh of Khurai Sajor Leikai
Ph. No. +91 8258061354

SL/15/B



NOTICE

হৌখিবা তাং ২৩।০৪।২০১৫ ইং, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮.০০ তাবা মতমদা অহল ইবুংঙো কৈশাম কুমার সিংহনা ময়াই তাঙবল লৌবিদুনা "IMPHAL JIRIBAM ROAD তা TATA DI, XENON অমদি MAHINDRA PICKUP SERVICE" তৌরিবা OWNERS অমদি DRIVERS শিংগী ওইবা মীফম অমা এসোসিয়েসনগী মোইরাং হনুবাদা লৈবা ওফিসতা পাংথোক্তুনা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মতুং ইন্না হান্না লৈরম্বা এসোসিয়েসনবু নৌনা "THE IMPHAL JIRIBAM ROAD TATA DI, XENON & MAHINDRA PICKUP GOODS TRANSPORT OWNERS & DRIVERS WELFARE ASSOCIATION" হায়না থোল্লে। লোয়ননা মখাগী মীওইশিং অসিনা মেনেজিং কম্মিটিগী থৌ পুবশিং ওইনা খল্লে।

1. Thokchom Jilla Singh (President)
2. Ashem Loken Singh (Vice President)
3. Angom Kishore Meetei (General Secretary)
4. Nameirakpam Bobby Singh (Asst. General Secretary)
5. Loitongbam Bimol Singh (Treasurer)
6. Laishram Moti Singh (Ex-Member)
7. Khwairakpam Subhash Singh (Ex-Member)
8. Wahengbam Henry Singh (Ex-Member)
9. A. Mangi Singh (Ex-Member)

লোয়ননা রেজিষ্টার তৌনবা চংশিল্লিবা প্রোসেসতা কনাগুম্বনা ৱায়েৎ পীনিংলবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৩নিগী মনুংদা য়েৎপীয়ু। মতুংদা লাকপা ৱায়েৎ লৌজরোই।

Secretary,
Angom Kishore Meetei

SL/B/15